থম্মোয় পাউদম | হুইয়েন ইন্দু

# কঞ্জ্যুমর অমনা তৌফম থোকপা

থা অনীমুক্কী মমাঙদা ঐহাক লাইহৌ কন্না হৌদুনা নাখি। করম্না হৌবা লাইহৌনো দাক্তর অমদা চৎলগা হংলুবসু তৌখিদে। ঐখোয় স্বায়গী চৎনবী, চীনফা পুবা হিদাক অমা নৎত্রগা হিদাক য়োনবদুদা হংলগা ফার্মাসিদগী লৈরগা চাবীদু তৌরুবনি ঐহাকসু। অশীংবা মীমক নৎত্রবসু অপঙবদি নত্তে খঞ্জরুবা ঐনা পঙলল্লিবসি 'সিদনি। পঙবদুমক নৎত্রবসু পঙবা মালহল্লিবসি 'মনি ফেক্তর'দুননি। শেল লৈত্রবদি পঙশিল্লিদনা মীওইবসে। এন্টি-বাইওটিক কোর্স অমা চারফাও লাইহৌদুনা হন্দ্রবদুদা য়ুমগী নুপী, অঙাং মমানা ইশৌ লাংখৎলকখি- 'ব্লদ-সুগর কন্ট্রোল তৌদবদুননি উরিমখৈ চাশিল্লি, থকহৈদবসু থকচিল্লি... নারল্লগা কনানা ৱায়...?' নুংতিগী ৱাকিং চৎমিন্নবা পার্টনরদু কুইমল্লবদুদা হংবা লাকই। মহাকসু ফার্মাসি ফল্লম্বনি। ফার্মাসিগী ট্রেনিং চৎলুদ্র'সু হিদাক মমিং ফজনা চীনফা পুই, কম্পোজিসনসু হায়বা ঙম্মী। ঐনা চারিবা গুলি অদু উরগা হায়রকখি, 'কদায়দগী ফরনি! সিদি তাৎ তৌবা কম্পেনিগী হিদাক্নি... সিদা ইরিবা কম্পোজিসনসি অমত্তা সুদবনি, শেন্দোং ফংবগী য়োন্নবনি, সিগুম্বা হিদাক চারুনু'...। মানা অমা লৈরকখি। মদু চারগা ফখি ঐ।

ঐঙোন্দা থোকখিবা থৌদোকসি মশীং খঙদ্রবা ইমুং অমদি মীওইশিংদা থোকখ্রবনি। থোক্লিবনি হৌজিকসু, থোকখিগনি তুংদসু। মরমদি, মণিপুরগী, মণিপুরতগী নত্তেদা ইন্দিয়াগী কঞ্জ্যুমরশিং তূম্লি হৌজিক, মীকপ থোক্ত্রি। পাউ-চেশিংদা, মীদিয়াদা লাউজৈ হায়বতনি... জাগো গ্রাহক জাগো, মীকপ থোক্লো কঞ্জ্যুমরশিং... মনানসু তাবীদে, মকোক্তুদা চঙবীদে, অহোয়নদুম নাখোক্লি, তূমখুন হুল্লি নুংঙাইনা।

মান্নি, তমজরিবা পাউদমসি ঐখোয় পুন্নমক্তা থোক্লিবা, পুন্নমক্না মায়োক্লরিবা, পোৎ য়োনবনা পোৎ-লৈবদা নমথাক তৌবগী ৱাথোক্তুগী মরমদনি। ঐখোয়না পোৎ লৈরিবা- মরম কয়ামুক্কীনি। পোৎ খূদিংমক্কী মমল লৈ। মমল পীদুনা লৈরিবদু পোৎ মখল অনীগী মরক্তা অমনি- খুৎনা শোকপা য়াবা (গুদস) অমদি খুৎনা শোকপা য়াদবা (সর্ভিসেস)। মদু লৈদুনা শীজিন্নবগীদমক গভর্ণমেন্ট'তা ঐখোয়না খাজনা অমা থীগদবনি, মদুবু কৌই গুদস এন্দ সর্ভিস টেক্স (জি এস টি)। 'গুদস এন্দ সর্ভিস'- অয়োনপোৎ ওইরক্লবা মতমদা, মদুবু কৌই 'কম্মোদিটিজ'। কম্মোদিটি অদু ঐখোয়না মমল পীদুনা লৈরগা, শীজিন্নরগা, ঐখোয় 'কঞ্জ্যুমর' ওইরক্লে। অদুনা, কঞ্জ্যুমর হায়বগী 'ইরোন্দা ৱাহন' ফংদদুনা ৱাহৈসিমক অদুম ইরোন ওইনা শীজিন্নজরে।

ঙসিগী, শেঞ্জাও পায়বনা খুনলিংবা, গ্লোবেলাইজেসনগী য়ুগ অসিদদি, পোৎ পুথোক্লিবা অমদি য়োল্লিবা মখোয়গী মরুওইবা পান্দমদি- য়ারিবমখৈ, লৌবা য়াবা শেন্দোং লৌহৌবা হায়বসিনি। কঞ্জ্যুমরশিংগী য়াইফবা নত্তে, মখোয় মশা য়াইফবদুনি- ঙসিগী বিজিনেস ইথিক্স। পোৎ পুথোকপা অমদি পোৎ য়োনবা অনীনা শেন্দোংতগী খল্লগা তৌরিবা তৌহৈদবা খরনি- তৌফম থোকপা চার্জদগী হেন্না তৌশিনবা, পোৎকী অরূম্বা শুহন্দবা, পোৎ'তুদা য়ানশিনহৈদবা পোৎ য়ানশিনবা, হন্থবা থাক্কী পোৎ পুথোকপা, পোৎকী এদভর্টিজ তৌবদা ওইদবা ৱা হায়জিন্দুনা কঞ্জ্যুমরশিংবু নমথাক তৌবা, অসিনচিংবা।

মরম অসিনা কঞ্জ্যুমর ওইরিবা ঐখোয়না, ইশাবু ঙাকথোকচনবা, নমথাক তৌবা ঙমদনবা হোৎনজবা নত্তনা কনানসু হোৎনবীরক্লোই। ঙরাং-নহান অনীমক জি এস টিগী ৱা খল্লুবা, মরুপ-মপাংদা ঙাংলুবা, পোৎ অদু লৈদুনা শীজিন্নদৌরিবা, ঐগুম্বা অপঙবা ময়ামসিগী ৱাখল অমুক খল্লকপনি। 'সেটেল্লাইট টিভি'না য়ুমথোঙ খূদিং থুংলবদগী কঞ্জ্যুমরশিংবু নমথাক তৌবগী অরায়বা পাম্বে অমা ফংলবগুম থোকখরে, কঞ্জ্যুমরশিংবু চমম্নহল্লে। করি অমুক হায়গনি- মেদিকেল প্রাক্তিসনর অমত্তনা প্রিস্ক্রাইব তৌদবা, চাকখাও নাবা ফনবা, লিভর নাবা ফনবা, চানীং-থক্লিংবা পোক্লবা, য়ু-থকপা থাদোকপা ঙম্নবা... হিদাক মখল কয়ানি- কনানা তৌবা এদভর্টিজমেন্টনো হায়বসু তাক্তবা এদভর্টিজমেন্ট কয়ানি কেবল টিভি চেন্নেলশিংদা শন্দোক্লিবা। কঞ্জ্যুমরশিংনা করম্না, অচুম্বা/অশেঙবা পোৎ লৈগদগে হায়বগী এদভর্টিজমেন্ট অমসু তশেংনা দরকার ওইরক্লি। অরানবা ইনফোর্মেসন খরনা লমজিংখ্রবা কঞ্জ্যুমরশিং নমথাক্কী লাং অদুদা ইরায় লায়না থুখিনি। পোৎয়ান তৌরবা চানবা পোৎ, হিদাক লাংথক শীজিন্নরুবনা, কঞ্জ্যুমরদুদা নংহল্লিবা দশাসি মখল অহুম্নি। কান্নদবদা তিংখিবা পোৎকী মমল, হকচাং ফৎচিল্লক্তবা অমদি অনাবদু লায়েংবদা চৎখিবা অহেনবা অনা-লায়েংমল।

নমথাক্কী লাংদা লায়না থুগনবা কঞ্জ্যুমরশিং, অয়াম্বনা ইবা পাবা হৈতবা মীওইশিংসি ওইগল্লি। মখোয়দি মখোয়না লৈরিবা পোৎতুগী মরমদা ইরিবা ৱারোলশিংদুদি তোকখ্রসি, পোত্তুগী মমিং ফাওবা খঙদনা লৈরিবনি। অনীশুবা, মরুওইবা মরম অমসু, কঞ্জ্যুমরশিংদা ইনফোর্মেসন ৱাৎপা। পোৎ য়োনবা মীশিংনা লৌনিংবা মমল লৌবদা, থোইনা তুকা থিগন্দবা। অহুমশুবা মরম অমনা, অচৌবা সহর নত্তবা, অথাপ্পা খুঙ্গং, মনুং হঞ্জিনবা মফমশিংদা পোৎ য়োনবা/সপ্লাইয়র অমা অনীখক্তনা, অতোপ্পা পাম্বে লৈতবনা, শান্ননিংবা মওংদা শান্নবা অসিনি।

মরম অসিনা কঞ্জ্যুমর ওইবা ঐখোয়না চেকশিনজগদবা ৱাফম খরসি নীংশিংসি- (১) পোৎ অমা লৈবদা, মদুগী রিসিপ্ত/বিল, ভৌচরনচিংবা লৌবা কাউবীদবা; (২) লৈরিবা পোৎ অদুগী অকুপ্পা মরোল, মশক, বিলদুদা নীংথিনা ইরবরা য়েংবীবা; (৩) পোৎ-লৈবা নুমীৎ/তারিখ ইরবরা চেক তৌবা; (৪) লৌরিবা টেক্স (লৌদবনা লৌদ্রসু) মখল অমদি রেট ইরবরা য়েংবীবা; (৫) লৌরিবা পোৎ অদুগী চাং/অরূম্বা/মেন্যুফেকচরিং দেট/মেন্যুফেকচরিং ফার্ম অদুগী মমিং লৈফম পোত্তুনা ইরিবদুগা বিলদুগা ইরিবদুগা চানবরা য়েংবীবা; (৬) গভর্ণমেন্টনা লেপখিবা টেক্স রেট অদুগা, লৌহৌরিবা অদুগা চানবরা য়েংবীবা; (৭) পোৎ অদু ইন্দষ্ট্রিঅল প্রদক্ত ওইরগনা আই এস আই মার্ক, লৌউ-শিংউগী পোৎ ওইরগনা এগমার্ক, সনাগী পোৎ ওইরগনা হোলমার্ক য়াওরবা য়েংবীবা। অরূম্বা ওল্লগা লৌবা পোৎ ওইরবদি ইশাগী য়ুমদা পুরক্ত্রিঙৈ অরূম্বদু চেক তৌরগা পুরকপা- তৌফদ্রবা অমনি। অরূম্বা ওন্দ্রিঙৈ, ওন্নবা মেছিন্দু হান্না চেক তৌগদবনি।

হায়রিবা পুন্নমকসি কঞ্জ্যুমর অমনা ফংফম থোকপা রাইট'নি। রাইট'সি খঙলুদবননি, মখোয়বু নমথাক তৌরিবা।

লৌশিং পুক্কে

# ঐখোয়না চাক চাবা মতমদা

## য়াম্না চেকশিনগদবনি অমদি অকক্লবা মতম থম্নবা হোৎনগদবনি



ঙল্লিঙৈ মতমদগী হৌরগা হকচাং ফনা নাদ-য়েক্তনা লৈহন্নবা হোৎনবদা অফবা চীঞ্জাক চাগদবনি অমদি চাবা থকপদা মতম নাইগদবনি হায়না অহলশিংনা হায়নদুনা লাকই। ঐখোয়গী ইপা-ইপুশিংনা হায়রল্লিবা ৱাফমশিং অসি ঐখোয়না তরাইনা লৌরোইদবনি। টেক্নোলোজিগী ওইবা চাউখৎপা খুৎশু-খুৎলায় কয়া ঙল্লিঙৈ মতমদা লৈরমদ্রবসু মখোয়না থেংনরকপা কয়া অদুনা মরম ওইরগা নুমীৎয়ুংবা মতুংদা অয়ুক্কী চাক চাবা ফত্তে হায়না লমদম অসিগী অহলশিংনসু হায়দুনা লাক্লি। মসিগী মরুওইবা মরম কয়া লৈখ্রে। নুমীৎয়ুংবা মতুং নুংথিল পুং ২গী মতুংদা ঐখোয়না কৈদৌনুংদা অয়ুক্কী চাক চারোইদবনি হায়না অখঙ-অহৈশিংনা ফোঙদোক্লরি।

অয়ুর্বেদ এক্সপার্ট ডা. দিক্সা ভাভসর সভালিয়ানা ফোঙদোকখিবদা, নুংথিল পুং ২গী মতুংদা ঐখোয়না অয়ুক্কী চাক চাবগী হৈনবী কৈদৌনুংদা থল্লোইদবনি। মসিনা ঐখোয়গী হকচাংদা চাবা তুমদবগী প্রোব্লেমশিং য়াওনা তোঙান তোঙানবা হকচাংগী ওইবা নুংঙাইতবশিং থোকহল্লকপা য়ানা লৈ। থেংলবদা ঐখোয়না নুমীৎয়ুংবা পুং ১২দগী নুংথিল পুং ২ ফাওবগী মনুংদা অয়ুক্কী চাক চাবদা থোইনা অকায়বা লৈতে। মরমদি হায়রিবা মতম অসিদা নুমীৎনা ঐখোয়গী হকচাংগী মথক্তা চপ চানা লৈবা মতম ওই। মরম অদুনা ঐখোয়না চাশিনখ্রিবা ময়াম অদু তুমহনবদা লায়না থোকই। অয়ুক্কী চাক অসি ঐখোয় মীওইবগী ওইনদি য়াম্না মরুওই। অদুবু কা হেন্না ঙল্লিঙৈদা অয়ুক্কী চাক চাবসু অফবা ওইদে। অয়ুক য়াহৌরকপা মতমদা ঐখোয়না উহৈ-ৱাহৈ ওইনা চানবা হোৎনগদবনি। অমরোমদা অয়ুক্কী চাক মতম চানা চাবগী হৈনবী থল্লবদি মসিনা হকচাংদা অতনবা ফাওহন্দে অমদি থবক তৌবদা হকচাং কা হেন্না চোকথরকপদগী ঙাকথোকপা ঙম্মী। মরম অদুনা ঐখোয়না মতম পুম্বদা অয়ুক্কী চাক চাবগী মতম য়াম্না চেকশিনগদবনি হায়রি।

সভালিয়াগী অতোপ্পা রিপোর্ট অমগী মতুংইন্না হকচাং অমসুং ৱাখল মশা-মউ ফনা লৈহন্নবা হোৎনবদা ঐখোয়না তৌগদবা অমদি তৌরোইদবা থবক থৌরম কয়া লৈরি। খুদম ওইনা হায়রবদা ঐখোয়না খোঙনা শাংনা চৎলুরবা মতুং য়ুমদা হঞ্জিল্লকপগা ঈরুজবা নৎত্রগনা চাক চাবা তোকপগা তূম্বগী হৈনবী থল্লোইদবনি। হায়রিবা থৌওংশিং অসি তোয়না তৌরক্লবদি ঐখোয়গী হকচাং শোকহল্লক্লবগী অমদি লায়নাশিং পোকহল্লক্লবা মরম ওইরক্কনি। চাক চাবা তোকপগা ঈরুজবগী হৈনবীসু থল্লোইদবনি। য়ামদ্রবদা চাক চাবা তোক্লবা মতুং পুং ২ রোম লৈরগা ঈরুজগদবনি। নৎত্রগনা চাক চাদ্রিঙৈগী মমাঙদা ঈরুজগদবনি। ঐখোয়না চাক চাশিনবা মতমদা ঐখোয়গী হকচাংদা য়াওরিবা ফায়র ইলিমেন্টশিং এক্তিভ ওইবগা লোয়ননা মথৌ তৌবা হৌরকই। মতম অসিদা ব্লদ সার্ক্যুলেসন হেনগৎলকপগা লোয়ননা চাবা তুমহনবদা মতেং পাংশিল্লকই। অদুবু ঐখোয়না চাক চাবা তোকপগা ঈরুজরবদি হকচাং মনুংদা য়াওরিবা ফায়র ইলিমেন্টশিংনা মথৌ তৌবা হৌগৎলকপদা অপনবা পী। মরমদি ঈরুজবা মতমদা হকচাংগী টেম্পরেচর হন্থরকপনা মরম ওইরগা চাবা তুমহনবদা খুদোংচাদবশিং থোকহল্লকই। মসিগী মথক্তা চাক চাবা তোকপগা খোঙনা শাংনা চৎপা তৌরোইদবনি। মরমদি মসিনা হকচাংনা চারিবা চীঞ্জাকশিংদগী চুপশিনগদবা কান্নরবা মচলশিং মপুং ফানা চুপশিনবা ঙমহন্দে। করিগুম্বা মতমদা চাক চাবা তোকপগা খোঙনা শাংনা চৎপনা ঐখোয়না চাশিনখ্রিবা পোৎলমশিং অদুগী মরক্তা নুংশিৎ য়াওশিল্লক্তুনা হকচাংদা নুংঙাইতবা কয়া থোকহল্লক্কনি হায়রি।

ডা. সভালিয়ানা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, ঐখোয়না তূম্লমদাইগী মতমদা শঙ্গোম মপাল নৎত্রগা শঙ্গোম অফম্বা চাশিল্লোইদবনি অমদি চাক চাবা তোকপগা তূম্বগী মহুৎতা য়ামদ্রবদা মিনিট ৬০দি লৈগদবনি। নৎত্রবদি মসিনা চাবা তুমদবগী প্রোব্লেমশিং থোকহনবগা লোয়ননা খোঙ হাম্বদা নুংঙাইতবা কয়া থোকহল্লক্লবা অচৌবা মরম অমা ওইহল্লি। ঐখোয়না মতম পুম্বদা ৱাখল অমসুং হকচাংবু মশা-মউ ফনা নাদ-য়েক্তনা লৈহনগে হায়রবদি চাবা থকপা, থবক তৌবা অমদি তূম্বা অমসুং হৌগৎপগী মতম য়াম্না চাং নাইহনগদবনি।

আর্টিকল অসি রিলাইএবল সোর্সতা য়ুম্ফম ওইরগা ফোঙবনি, অদুবু মসিনা মেদিকেল প্রোফেসনেলশিংগী পাউতাককী মহুৎ শিন্নবা হোৎনবদি নত্তে

# নেসনল য়ুথ দে ২০২৩গী থৌরম পাঙথোক্লখ্রে




ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১২ (ঐচ এন এস) : স্বামি বিবেকানন্দগী মপোক কুমওন থৌরমগা মরী লৈননা চহী খূদিংগী লেপ্তুনা ইন্দিয়াগী মফম কয়াদা চখদুনা লাক্লিবা নেসনল য়ুথ দেগী থৌরম ঙসি মোইরাং এ সীগী থম্নাপোকপীদা লৈবা এল মনি মেমোরিএল ট্রেনিং হোলদা পাঙথোকখ্রে।

নেহরু য়ুব কেন্দ্র সংস্থান বিষ্ণুপুর অমসুং ন্যু লাইফ ফাউন্দেসন মণিপুরনা পুন্না খুৎশম্নদুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা মাঙ্গোলঙানবী কোলেজ নিংথৌখোংগী এসিস্টেন্ট প্রোফেসর অসেম চনু বেলোরপতি, মোইরাং কোলেজগী রিটায়র্দ এসোসিএট প্রোফেসর ডা. ৱাই মোধু, চাইল্ড লাইন বিষ্ণুপুরগী দিরেক্টর ডা. লমাবম পিশক অমদি এ বি ভি পিগী অকাশ সটপুতেনা অথোইবা মীথুংলেনশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরমদুগা মরী লৈননা লাইফ হিষ্টোরি ওফ স্বামি বিবেকানন্দ, রোল ওফ য়ুথস ফোর নেসনল বিল্ডিং অমদি য়ুথ এগেনষ্ট দ্রগস হায়বা হীরমশিংদা অথোইবা মীথুংলেনশিংনা শনে দাল্লা ৱা ঙাংখি। থৌরম অদুদা চাইল্ড লাইন বিষ্ণুপুরগী দিরেক্টর ডা. এল পিশকনা ফোঙদোকখিবদা, হৌজিক মতমগী হৌগৎলক্লিবা নহা কয়া দ্রগ অমদি ময়াই কাবা চীঞ্জাক শীজিন্নবগী খুদম য়াম্না লৈরে। মরম অদুনা হৌগৎলক্লিবা নহাশিং অসিগী তুংগী পুন্সিদা অৱাবা কয়া মায়োক্লরকপসু য়ারি। গভর্ণমেন্ট, সী এস ও, ক্লবস, মৈরা পায়বী অমদি পুলিসনা দ্রগস অমসুং ময়াই কাবা চীঞ্জাক থিংলবসু শীজিন্নরিবসি ঐখোয়গী খুন্নাই অসিদা কদায়দনো অমা অশোয়বা য়াওরি। মসি খঙদোকমিন্নসি হায়নসু ফোঙদোকখি।

নাকল অমরোমদা, নেহরু য়ুব কেন্দ্র ইম্ফাল ৱেষ্ট অমদি শামুশঙ শান্তিপুর য়ুথ ক্লবকা পুন্না খুৎশম্নদুনা শামুশঙ শান্তিপুর ময়াই লৈকায় কম্যুনিটি হোলদা নেসনল য়ুথ দেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে হায়না নেহরু য়ুব কেন্দ্র ইম্ফাল ৱেষ্টকী দেপ্যুটি দিরেক্টর এল মার্জিৎকুমারনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

থৌরম অদুদা ময়াং ইম্ফাল এ সীগী এম এল এ কোংখাম রোবিন্দ্রোনা চীফ গেষ্ট, নেহরু য়ুব কেন্দ্র ইম্ফাল ৱেষ্টকী দেপ্যুটি দিরেক্টর লিশম মার্জিৎকুমার, সোসল ৱার্কর সোমেন মোইরাংচা, ৱার্দ মেম্বর এল প্রেমেশ্বরি, এস এস ৱাই সীগী প্রসিদেন্ট টি ঐচ মেঘচন্দ্র, এস দব্লিয়ু ৱাই সীগী প্রসিদেন্ট ও শ্যামজাই, হেদ মিষ্ট্রেস ৱাই প্রেমো, হেদ মাষ্টর কে জয়েন্ত, সোসল ৱার্কর এন খোমৈতোননা মথংশিংনা প্রসিদেন্ট অমদি গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াদুনা স্বামি বিবেকানন্দগী ফোটোদা লৈ-শু কৎতুনা ঈকায় খুম্নবা উৎখি হায়রি।

অমরোমদা, নেহরু য়ুব কেন্দ্র থৌবালনা শীন্দুনা জিলা পরিষদ থৌবালগী কনফরেন্স হোলদা নেসনল য়ুথ দেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে হায়রি।

থৌরম অদুদা দেপ্যুটি কম্মিস্নার থৌবাল অহন্থেম সুভাশনা খুন্নাই অমা চাউখৎপদা হৌরক্লিবা নহাশিংগী মরুওইবা রোলশিংগী মতাংদা ৱা ঙাংখিবগা লোয়ননা অফবা তীঞ্জং-কায়জংদবা খুন্নাই অমা ওইনবা হোৎনসি হায়না নহাশিংদা আপীল তৌখি। লোয়ননা নহাশিংনা মখোয়-মখোয়গী থল্লিবা পান্দমশিং অদু ফংনবা দিসিপ্লিন লৈনা হোৎনবা মথৌ তাই হায়না ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা নশামুক্তা ভারত আভিয়ন কেম্প্যেন অসিবু দিষ্ট্রিক্ট অসিদা মায় পাক্লা পাঙথোক্লবা হোৎনবদা নহাশিংনা অচৌবা থৌদাং লৌরিবা অসিগীদমক থাগৎপসু ফোঙদোকখি। ঙসিগী থৌরম অদুদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী প্রোফেসর এম নোদিয়াচান্দ, নেহরু য়ুব কেন্দ্র থৌবালগী য়ুথ কোওর্দিনেটর থাংমেলেন মাতেসু শরুক য়াখি।

# ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিস্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ১৩।০১।২০২৩ ইং, ইরাই;
ৱাকচিংগী ২১নি পানবা।

মেষ: অনম তানবা য়াদবা, নচা-ননাইগীদমক তঙাইফদনা নোঞ্জবা মতাংনি। পাঙগে খনবা থবক্তদি নচাক নরল থাদবা য়াগনি, লনসু চঙগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা মপা চাবা হৌরনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাঙবা

বৃষ: চরাঙনবা অমদি খোয়রাংবা ফাথহৌদ্রদি খুদোংচাবা মাঙখিনি। ফিদম ওইগদবা পোরম শীনবা হৈগনি, লেঙদবা নচাক নরলসু চাওখৎকনি।
লৈশা পাখংশিংগী- থাগৎপিগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

মিথুন: ঙাং-শকপা অমদি লৈজবা লৌশিংনা অরুবা/অনৌবা থবক পাঙবা লুগনি। মরুপ থাজবা লুগনি। হান্নদৈ পাঙলকপা থবক্তমক পাঙবা ফৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবনা অমা ওইগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা/চেঙ

কর্কট: ফংবা য়াবা শেল অমদি মরুপকী মতেংদি পনগনি। অতৈ লমদদি খুদোংচাবা য়াম্না ফংলনি। ৱানোম থৌনোম মতাং য়াম্না চাবা নুমিৎনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা খরদি থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা/চেঙ

সিংহ: ঙম্মী হায়দুনা নখা থাববু তরাইনা লৌবা য়াদবা নুমিৎনি। মীদি ৱাৎতে, অকিবসু লৈরোই-অদুনা পল্লম্বা থবক লৈরসু পাঙবা য়াগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- চরাঙনবনা মাঙজগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

কন্যা: পুক্লিং পেন্না শেন্দোং তানবগী লমদা মায় পাক্কনি। ঈকাই খুম্নবা ফংগনি, থবক্কী লমদা নীংবা মপা চারগনি। অদুবু য়েৎপা অমদি লৈরি।
লৈশা পাখংশিংগী- ৱাখল নুংঙাই।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

তুলা: মরুপ মপাং অমদি নচা-ননাইনা পেন্দবা লৈ-হন্থবা লোয়নগনু। মীতোপকী ৱা লৌরদি ইমুং মনুংদা মাঙগনি, লমদা হুরানবদৈ চেকশিল্লু।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা মপা চারোই।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

বৃশ্চিক: পাংঙমদবা থবক পাঙনবা শীল্লুবরা হায়বু নরল কায়গনি- অনম তানগনু। ইমুং মনুং/মীয়াম্না করি পাম্মী হায়দু খনথবনা কান্নগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

ধনু: পোরম শিনবা/ঙাং-শকপা হৈবা ৱাৎলসু নীংবা থুংগনি, শেন্দোং য়াম্না ফংগনি, নচা-ননাইগী লমদা পুক্লিং পেঞ্জগনি। থৌনা হনগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- মরী ফগৎকনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস

মকর: য়েক্লবা লৈরসু ঙমগনি, ৱানোম থৌনোম কান্নগনি, অরং-অরাক লৌশিনবা য়াই। লৌশিং ফুদোকপদি ঙমদে-নাইতোম থৌপাঙগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- থাগৎপিগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/কিসমিস

কুম্ভ: পাউ নুংঙাইবা তাবা, লম চৎপসু কান্নবা, খল্লুদবা ওইজবা খরসু ফংবা নুমিৎনি। ফংঙমদবা লৌশিং ফংজগনি। মীয়াম পুনবদি মাঙজগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- ৱারৌনগনি-চরাঙগনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা/চেঙ

মিন: নীংবা থুংজগনি, নচা-ননাইগী লমদসু নুংঙাইবা পোক্কনি, শেন্দোং তানবগী লমদা মীকোক থোংগনি। নাইতোম ৱারেপ লৌবা য়ারগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- মায় পাকচরনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।

মমি ৱারী

# উখ্রুল

## মোচা কাংজম



